ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 156 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩-২৪ | ইম্ফল, হিয়াঙ্গৈগী ২৮ নি পানবা, লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ১৮, ২০২৫ ইং | মমল লুপা ২।-


## লৈঙাক্লা ৱারী শান্নসি হায়বা কোকোমিনা য়াখিদ্রে

### নবেম্বর ২১ দা শিন্থা লেপ্তুনা লৈকায় লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম চথবীয়ু ঃ অথৌবা

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮(ৱায়েল কাতি)ঃ** সঙাই ফেষ্টিভেল বোইকোট তৌরিবসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা ৱারী শান্নসি হায়দুনা ঙরাং নুমিদাং চিফ সেক্রেটরিনা অইবা চেরোল অমা থারক্তুনা খঙহল্লকখিবদু কোকোমিনা য়াখিদ্রে।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নবদা কোকোমিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা হায়খি, নবেম্বর ২১ অসিদা শিন্থা লেপ্তুনা লৈকায় লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম পাক-শন্না ফন্বীয়ু। চহী ২ মখায় মশাগী মরমদা রিফ্যুজি অমগুম্না লৈরিবা মীয়াম অসিবু থৌশাদনা মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা পিঅার এদমিনিষ্ট্রেসননা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লনবা থৌরাং তৌরকপসি য়ানিংদে। ফেষ্টিভেল অসি মীয়ামগা শম্নরোই, শরুক য়ারোই হায়বগী ৱাফম নুমিৎ অসিদা পুন্না উৎমিন্নসি।

লৈঙাক্লা ৱারী শান্নবা চেরোল থারকপগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, চেরোল অদুদা এজেন্দা অমত্তা য়াওদে। মদুগীসু মথক্তা কোকোমি হায়বসি ষ্টেট অসিগী মতিক ময়ায় লৈরবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ময়ামনা পুল্লগা শেম্বনিনা হান্না মাঙজৌননা পাউ পীনরগা তাথোক-তাশিন তৌনগদবদু মতম তেন্না পীরকপনা ঐখোয় মিটিংদুদা শরুক য়াররোই হায়না খঙহনখ্রে।

মহাক্লা হায়খি, সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ অসি মীয়ামগী ওইদে। গভর্নমেন্টনা শিনগে য়াওনা



শিঙ্গল্লকপা মাল্লি। মীয়ামগী ওইনদি ঐখোয়গী ফংফম থোকপশিং ফংদ্রিবা, ঐখোয়গী ইকাই খুম্নবা মাঙলিবা অমসুং ঐখোয়গী চাওথোকচনিংঙাই ওইবা ফিদা অদু হঞ্জিনহনবনা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপদগী হেন্না মরু ওই।

মীয়ামগী ওইরম্বা তারগদি বোইকোট লাউথোক্লরিবা, পেন্দ্রবা ময়ামগী খোল্লাও লাওনরক্লিবশিং অসি লৈরম্লোই। মীয়ামনা অপান্বা, হৈনিংবা অমত্তা পোক্ত্রিবসি সঙাই ফেষ্টিভেল পামদে। ঐখোয়গী পুন্সিরোল মহৌশাগীদা হঞ্জিনহল্লু হায়বদুদা মীৎয়েং চঙফম থোকই। লৈঙাক্লা তৌরিবা মতৌ অসিদি নমদুনা শিনগনি। সেক্যুরিতী মথাং নাইনা ঙাক শেল্লগা লানবন অমগী মনুংদা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্কনি হায়না খনবা মাল্লি। মসিদি সঙাই ফেষ্টিভেলগীদমক্তা বজেটতা হাপ্লিবা শেনফম অদু শায়েন-ঙায়েনহৌনবা ৱাখল্লোনদা মীৎয়েং থম্বা মাল্লি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোরকখিবগী মরু ওইবা মরমদি ষ্টেট অসিগী টুরিজম চাওখৎহন্নবনি। অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াও হায়বা য়াদ্রগদি কমদৌনা টুরিজম চাওখৎহনবা ঙমগদৌরিবনো?মরম অদুনা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি লৈঙাক্কী এজেন্দা খরা খক্কী মখাদা শীনবনি। মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহল্লে। সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা ঙম্লে। করিসু তৌনদ্রে হায়বগী প্রোপেগন্দা খরদা য়ুম্ফম ওইননবা থওইনা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্তবা য়াদে হায়না পাঙথোকপনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসিদা ঐখোয়গী ইচিন-ইনাও খরা শরুক য়াবা থেংনৈ। মখোয়সু বজেটতা য়াওরিবা শেলফমশিং অদু লোইথোকহৌনবগী পান্দমদনি। ঐখোয় পুম্নমক মীওই অমা ওইবগী ফংফম থোকপশিং ফংলিব্রা, মশাগী মরমদমদা লাঞ্জেন্নদুনা মীওই লিশিং কয়া অৱাবা তারি। মণিপুরী অমা ওইবগী ইকাই খুম্নবা মচেৎ অমা ফাওবা হঞ্জিনবা ঙমদ্রিঙৈগী চৈরক অসিদা ঐখোয়না কমদৌনা টুরিজম চাওখৎহন্নবনি হায়দুনা ফেষ্টিভেলদা মায় ওনশিন্দুনা লৈথোক্কদ্রা হায়বসি ময়াম পুম্নমক্লা খনবীয়ু। অদুগা কোকোমি অমসুং আই দি পিশিংগা পুন্না চৎমিন্নরগা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি হায়রি।

## চীংনুংদা পাক-শন্না থারম্বা পোপ্পি পান্বী, লৌতাঙশঙ জেদ য়ু এফনা মাঙ-তাকহনখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮(ৱায়েল কাতি)ঃ** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা চীনুংশিংদা পাক-শন্না থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং অমসুং মখোয়গী লৌতাঙ শঙশিং জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ) তাইগর ফোর্সনা মৈ থাদোকপা অমসুং ফুক্তৎপনচিংবা তৌদুনা মাঙ-তাকহনখ্রে।



খূৎলায় পায়বা লূপ অসিনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকপা ভিদিও ক্লিপ্পিং অমদা হায়, হান্নদগী হৌনা তৌগনু হায়রগা অসুম তৌই। জেলিয়াংরোংগী লমদা কুকিলেন্দ লৈতে, তাইগর রোদ লৈতে। কনানসু ঐখোয়বু থিংবা ঙম্লোই। তৌখ্রবদি তৌখ্রে। নুপানিনা অদুম মথং মথং তৌরকখিগনি। হৌজিকসু তৌরিবা অসিনি।

ষ্টেট ফোর্স অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সতা ওনশিল্লদুনা ভি দি ও ফুটেজ অদুদা হায়, নখোয়সু ঐখোয়গী তুং ইল্লকউ। ইচিন-ইনাওশিং পুন্না থবক তৌমিন্নবা কায়দে। নখোয়দি অসিগুম্বা মফমশিং অসি চঙবা ঙমদবনি। ঐখোয়না হৌজিক্তি হান্না চঙলবনি। ঐখোয়গী তুং ইল্লকও। নখোয়সু থবক অসিদা য়াওরগদি রিৱার্দ ফংগনি। পুন্না থবক তৌমিন্নসি।

মণিপুরদা কাঙলূপকী ঈরাং থোকখ্রবা তুংদা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়ামরুমদা পোপ্পি থাবগী চাং ৱাংখৎলকপগী রিপোর্ট লৈ। মণিপুর পুলিস, ভিদি এফ অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সশিং পুল্লপ পুনশিল্লগা হৌজিকসু পোপ্পি পান্বী য়াম্থৎপগী থবক তৌরি। অদুবু মফম ময়াম অমদা থারম্বা অমসুং ইচম চম্বা মীচম মীয়ামনা চঙবদা খুদোংচাদবা ওইবনা চঙশিল্লুরগা পোপ্পি পান্বী য়ানবদা পামদবা থৌদোক কয়ারুম থোরকপা য়াবনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী থবকসু খুমাঙ চাওশিনবা উদে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা জে য়ু এফনা জেলিয়াংরোংনা খুন্দাবা মফমশিংদা পোপ্পি থাবগী য়ারোই হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

## সঙাই রন লমথাখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরদা নবেম্বর ২১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ গী কর্টেন-রেজর ওইনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি হোম কম্মিস্নর অশোক কুমার সিনহানা সঙাই রন-২০২৫ লমথাখ্রে। লমজেল অদুদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবাম ফমদগী লাকপা মীওই ১৫০০ রোমনা শরুক য়াখি। কিমি ৫ অমসুং কিমি ১০ গী ওইনা কেটগোরি অনি থোক্লা পাঙথোকপা লমজেল অদুদা শরুক য়ারিবা খুদিংমক্তা মেদল পীগনি। নুপা অমসুং নুপীগী ওইনা ওপন অমদি ভেটরান কেটগোরি ওইনা কিমি ২৫ গী লমজেলদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা লমজেল্লোই ১১ দা শেলগী ওইনা পীগনি হায়রি।

## সেন্সিটাইজেসন

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মোইরাংদা লৈবা এদভান্স ইন্টরমেদিয়েট কোলেজগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি নোংমগী ওইবা স্কুল মহৈরোইশিংগী সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। সঙাই দেগা মরী লৈননা সঙাই ফার্ষ্ট ফাউন্দেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ৱাই মোধু অমদি সঙাই ফার্ষ্ট ফাউন্দেসনগী মেনেজিং ট্রষ্টি ডা. কে ঐচ সমুঙৌনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা সঙাই ফার্ষ্ট ফাউন্দেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে য়ুগেশ্বরনা নোংমা নোংমগী কাঙ্খুল মুৎশিল্লক্লবা সঙাই অমসুং কৈবুল লমজাও নেস্নেল পার্কতা লৈবা সঙাইগী লৈফমগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

## দ্রাইভ লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং য়াম্থৎপগী মতাংদা চথরকপা নুমিৎ ৫ নিগী ওইবা দ্রাইভ লোইশিনখ্রে। পোপ্পি য়াম্থৎপগী দ্রাইভ অদুদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ৬শুবা মণিপুর রাইফল, বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট এন্দ রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট, নার্কোটিক এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দর, মহা রেজিমেন্টনচিংবা শরুক য়াখি। লিতান, সোমদাল অমদি এল এম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা চীংশাং পরেংদা একর ৪৩৬ পাক চাওনা মফমদা থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙ-তাকহনখি। পান্বী থাবশিংনা শীজিন্নরম্বা লৌতাঙশঙ ৫১সু মৈ থাদোকখি।

মপাল্লমগী পাউ

## এটেক ২৬তা চেন্নবা মাওইষ্টকী তোপ কম্মান্দর ওপরেসনদা হাংখ্রে

**শ্রিনগর , নবেম্বর ১৮(ৱায়েল কাতি)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সেস অমসুং মীচম মীয়ামগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা এটেক ২৬ চথবদা চেন্নবনি হায়বা মাওইষ্টকী মকোক থোংবা কম্মান্দর মাদভি হিদমা অন্ধ্র প্রদেশকী সিটারামা রাজু দিষ্ট্রিক্টতা সেক্যুরিতি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা হাংখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেশ, ছাতিসগর অমসুং টেলঙ্গানাগী লোন্নবদা লৈবা মারেদুমোলি উমংদা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা মাওইষ্ট লুচিংবা অদু হাংখিবনি। অন্ধ্র প্রদেশকী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস হরিসকুমার গুপ্তনা হায়খি, ঙসি অয়ুক পুং ৬ তাবদা নাকল অনি অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবদা মাদভি হিদমা য়াওনা মাওইষ্ট লালহৌবা ৬ হাংপা ঙমখি। মফম অদুগী অকোয়বদা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথরি। পুলিসকী মখুৎতা লৈখিদ্রবা মাদভি হিদমা হায়রিবা মীওই অসি কুমজা ১৯৮১দা মধ্য প্রদেশকী সুকমাদা পোকখিবনি। মহাক্লা পিপল লিবরেসন গোরিলা আর্মি লিংখৎতুনা সি পি আই (মাওইষ্ট)কী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বর ওইখি। মীওই অসি হিংনা নৎত্রগা শিনা ফংননবা পাউ পীবা ঙম্বদা লুপা লাক্ষ ৫০গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

## সৈখ হসিনা খূৎশিন্নরক্লবা হায়জরকখ্রে

**ডাকা। ন্যু দিল্লি,নবেম্বর ১৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বাংলাদেশকী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী সৈখ হসিনা খূৎশিন্নরক্লবা ইন্দিয়াদা হায়জরকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা থারকখিবা চেরোল অমদা মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, লৈবাক অনিগী মরক্তা এক্সত্রাদিসন ত্রিতি খূৎয়েক পীনখিবা মরমনা ডাকাগী কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল পীখ্রবা সৈখ হসিনাবু ইন্দিয়ানা অথুবা মতমদা বাংলাদেশতা খূৎশিন্নরকপা মথৌ তাই। মীওইবা খুন্নাইগী মথক্তা ক্রাইম চথবগীদমক কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা অসাদ উজমা খান কমলবুসু ইন্দিয়ানা খূৎশিন্নরক্কদবনি হায়না বাংলাদেশকী ফোরেইন মিনিষ্ট্রিনা থারকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোকখি। ইন্টরনেস্নেল ক্রাইম ত্রাইব্যুনেলনা শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল লাউথোকখ্রবা মতুংদা সৈখ হসিনানা হায়খি, মীয়ামনা খনবা নত্তবা লৈঙাক অমনা শেম্বা কোর্টনা মীচঙ মীখায় নাইবা মওংদা পীখিবা ৱায়েল অদু চৎনফম থোক্তে। মীখল পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী লৈঙাক শেল্লবা মতুংদা চথবা ৱায়েল ওইরবদি অচুম্বা ৱায়েল শোয়দনা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু অৱামি লিগকী লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখি।

## শেঞ্জা-থুমজাগী মরালদা বিসোর্জিৎ সি বি আইনা ফারে

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী ওফিসশিংদা চথবা শেঞ্জা থুমজাশিংগী থবকশিং থিংননবগী পান্দমদা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)গী এন্তি করপ্সন ব্রাঞ্চ ( এ সি বি) ইম্ফালনা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল একাউন্টেন্ট জেনরেল (এ এন্দ ই)দা থবক তৌবা ইরোম বিসোর্জিৎ সিংহ কৌবা সেনিয়ার একাউন্টেন্ট অমা ফারে।



মোদিফাইদ এসিওর কেরিয়র প্রোগ্রেসন (এম এ সি পি)গী ফাইল প্রোসেস তৌনবগীদমক পাঙ্গৈদা লৈবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী ষ্টাফ অমদগী লুপা লিশিং ১০ লৌখি হায়বগী মরালদা বিসোর্জিৎ ফাখিবনি। সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী তোঙান তোঙানবা ওফিসশিংদা পাক-শন্না শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিং চথরক্লে হায়বা পাউ ফংবদগী সি বি আইগী টিম অমনা ঙসি প্রিন্সিপাল একাউন্টেন্ট জেনরেল (এ এন্দ ই)গী ওফিসতা চৎলগা ওফিসিয়েল অদু খুদক্তা ফাখিবনি। লুপা লিশিং ১০ লৌখি হায়রিবা বিসোর্জিৎকী ওফিসকী মরী লৈনবা চে-চাংশিং থিবা হুন্বগী থবক চথরি।

মণিপুরদা লৈরিবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী ওফিসশিংদা চথরিবা শেঞ্জা-থুমজাশিং থিংননবগী পান্দমদা মণিপুরদসু এস পি অমনা লুচিংবা সি বি আইগী ওফিস হাংদুনা লৈরবনি। লোৎনা থুপ্না শেঞ্জা থুমজা চথদুনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবশিং অসিবু মশক খঙদোক্লগা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক মরী লৈনবা খুদিংমক্লা পাউ পীবীয়ু হায়রি। হান্নদগীসু হৌনা সি বি আইনা শেঞ্জা থুমজা অমসুং ক্রাইম কয়ামরুমগী ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা লৈরি।

## গাইদলাইন ইন্দবনা পি এম জি এস ৱাইগী থবক পায়খৎপা ঙমদ্রে ঃ কন্ত্রেক্টরস ফোরম

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সেন্টরনা পীবা গাইদলাইন্সশিং মণিপুর লৈঙাক্না ইন্দবনা মরম ওইরগা পি এম জি এস ৱাই- থ্রি গী থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদ্রে হায়না ওল মণিপুর কন্ত্রেক্টরস এসোসিয়েসন ফোরমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, মমাঙ চহীগী মার্চ ৭ তা সেঙ্কসন তৌরকখিবা পি এম জি এস ৱাই-থ্রিগী থবক ৫৬ নি। ২শুবদা থবক ৪১ অমসু সেঙ্কসন তৌরক্তুনা পুন্না পি এম জি এস ৱাই থ্রিগী থবক ৯৭ সেঙ্কসন তৌরকখ্রে। মণিপুরগী ওইনা পি এম জি এস ৱাইগী থবক পায়রিবা মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদ দিভলপমেন্ট এজেন্সিনা সেঙ্কসন তৌরকখ্রবা মতুং ২শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা থবক ৪১ সেঙ্কসন তৌরকখি। থবক অমদি মণিপুরগী পি দব্লিউ দিনা হান্না স্কিম অমগী মখাদা শুদোকখ্রে। থবক অদু খুন্দ্রাকপম অমসুং লম্লাই কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মরক্তা লৈবা শওম্বং শগোলমাঙ লম্বীগীনি। মণিপুর গভর্নমেন্ট অমদি এম এস আর আর দি এ। আর ই দি মণিপুরনা গাইদলাইন ঙাক্লা চৎখিদবনা পি এম জি এস ৱাই-থ্রিগী থবকশিং অসি মাঙহনগদৌরে। পি দব্লিউ দি বু ওইরবসু পি এম জি এস ৱাইগী থবক পায়রিবা এম এস আর দি এ। আর ই দি বু ওইরবসু নৎত্রগা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেক্কিং অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং সেল মচা মচা শেমগৎতুনা কন্ত্রেক্টরশিংদা থবক পীদনবা হোৎনৈ। কুমজা ২০০০ দগী পায়খৎপা পি এম জি এস ৱাইগী থবক অসিগী তেন্দর কাঙলোন চুম্না তৌহন্নিংই হায়রি।

## ‘রিমসকা মরী লৈনবশিংনা লূপকী মিংচৎ থিনবা হোৎনরকপা লাইবক থীবনি’

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮(ৱায়েল কাতি)ঃ** লূপকী মিংচৎ থিনবা লাল্লোং য়াৎলিবা রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, দাইরেক্টর, ডাক্টরশিং অমদি মমাঙদা লূপ অসিনা মমিং মথা লাউথোকখ্রবশিংদা ওপরেসন ওন ইরিদিকেসন ওন পব্লিক এনেমি কে সি পি তাইবংঙানবা গ্রুপনা থমখিবা ৱাফমদা অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি। লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রিমসকী ওইনা লূপ অসিনা শেল খরগা মন্তিক্লরগা লৈবাক মীয়াম খঙদনা রিমসকী কেস য়াশিন্নবা পুরকখ্রে হয়বা ৱাফম অমা শন্দোরক্লিবসি অরানবনি। রিমসপু শেন্দালফম ওইনা খল্লিবা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, দাইরেক্টর, ষ্টাফ অমদি খঙন-চান্নবশিং অসিগা নক্লবা মীওই খুজোক খরনা কেসিপি তাইবংঙানবা গ্রুপপু রিমসতগী শেল খরা লৌরগা য়াশিন্নখ্রে হায়না পাউথোরক্লিবসি খুদক্তগী লেপকদবনি। করিগুম্বা মখা তানা অসিগুম্বা য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ শন্দোরকপা তারবদি চেন্নরিবা খুদিংমক মীয়াম খঙনা ৱারকপা হৌরগনি। লোয়ননা হৌখিবা ওক্টোবর ২৫দা পোরোম্পাৎতগী পুলিসনা লূপ অসিগী মীওইনি হায়না ফাখিবা ঐচ রামেশ্বর লূপ অসিগা মরী লৈনদে হায়রি।

## ‘কোওপরেটিভকী ঈহৌনা শেন্মিৎলোনদা কান্নবা পীরি, খুন্নাই শেমগৎপদা মতেং পাংলি’

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮(ৱায়েল কাতি)ঃ** কোওপরেটিভকী ঈহৌনা শেন্মিৎলোনদা কান্নবা পীবগী মথক্তা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মীয়াম হুপ্না থৌদাং লৌমিন্নবগী খুদোংচাবা পীরি হায়না মণিপুরগী গভর্নর অজয়কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেস্নেল ইয়র ওফ কোওপরেটিভ ২০২৫গী শরুক অমা ওইনা নবার্দ মণিপুর রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ষ্টেট লেবেল কোওপরেটিভ কনক্লেভ হৌদোকপগী থৌরমদা গভর্নরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গভর্নর অজয় কুমার ভল্লা, চিফ সেক্রেটরি পি কে গোয়েল, দিপার্টমেন্ট ওফ কোওপরেসন অমসুং নবার্দ মণিপুর রিজনেল ওফিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা গভর্নর অজয় কুমার ভল্লানা হায়, কোওপরেটিভকী ঈহৌনা ইন্দিয়া পুম্বদা কোওপরেটিভ সোসাইটি ৮,৪০,০০০ হেন্না মায় পাকনা চল্লাইরি। মীওই ক্রোর ১৩ রোমনা হিরম কয়াদা খুন্নাই অসিগী চাওখৎ-থৌরাংদা শরুক য়ারি। চহী ৪গী মমাঙদা মিনিষ্ট্রি ওফ কো-ওপরেসনগী মীৎয়েং মখাদা কোওপরেটিভ সেক্টরদা অহোংবা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎলি।

## ‘লৈবাক নীংবা শাবশিংনা মীয়ামগী লন শগুণ তৌরিবা অসিদগী চেকশিনসি’

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮(ৱায়েল কাতি)ঃ** লৈবাক নীংবা শাবা থম্মোয় শেংদবা মীওই কয়ানা মীয়ামগী ফংফম থোকপা হক অমদি লন-থুম শগুণ তৌরিবা অসিদগী চেকশিন্না লৈসি হায়না মণিপুর য়ুঠ এন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এম ৱাই এস য়ু)গী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম তনুনা ফোঙদোকখ্রে।


ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মোংশাঙ্গৈদা লৈবা বি বি পোল মেন্টেল দিভলপমেন্ট হোম দা এম ৱাই এস য়ু শাফোঙখিবগী ৪রক শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোঃ ডাঃ চিংলেন মৈস্নানা অথোইবা মীথুংলেন,কোকোমিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা অখন্নবা মীথুংলেন, এম ৱাই এস য়ুগী এদভাইজর ময়াংলম্বম অমুতোম্বী, বি বি পোল মেন্টেল দিভলপমেন্ট হোম মোংশাঙ্গৈগী হেদ মিষ্ট্রেস তখেল্লম্বম অনিতা, ফিদমগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম শান্ত অমদি এ এম পি ৱাই এগী প্রসিদেন্ট মৌলনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

## সর্ভাইকেল কেন্সরনা মিনিট ২ খুদিংগী নুপী ১।১ শিহল্লিঃ রিপোর্ট

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮ (ৱায়েল কাতি) ঃ** মালেমদা মিনিট অনি খুদিংগী সর্ভাইকেল কেন্সরনা মরম ওইরগা নুপী অমমম শিরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ৱার্ল্ড সর্ভাইকেল কেন্সর ইলিমিনেসন দে গা মরী লৈননা ফোঙলকখিবা ৱার্ল্ড হেল্ঠ এসেমব্লিগী রিপোর্টনা হায়, খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না অসি মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবগীদমক মালেমগী মফম পুম্নমক্তা ঐচ পি ভি ভিক্সিনেসন পাক-শন্না চথবগী তঙাইফদবা লৈ। মতম চানা ভেক্সিন কাপহৌবগা লোয়ননা চাং নাইনা স্ক্রিনিং তৌগদবনি অমসুং কেন্সর ওইরকপা য়াবগী ফিভম থেংনরবদি মতম চানা লায়েং চথহৌগদবনি হায়না ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন দব্লিউ ঐচ ওগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মালেমদা নুপী ওইবীশিংদা খ্বাইদগী থেংনবা কেন্সর মখলশিংগী মনুংদা সর্ভাইকেল কেন্সরনা




৪শুবনি। কুমজা ২০২২ দা মালেমগী ওইনা লায়না অসিগী অনৌবা কেস ৬,৬০,০০০ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ৩,৫০,০০০ শিখি। লৈখিদ্রবা মীওই ১০গী মনুংদা মাপনদি ভেক্সিনেসন অমসুং অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা লৈত্রিবা মালেমগী খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাকশিংদগীনি। হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরস (ঐচ পি ভি)না মরম ওইরগা সর্ভাইকেল কেন্সর ওইহল্লকপনি। ঐচ আই ভি গা শাগোন্নদুনা হিংলিবা নুপীশিংদা সর্ভাইকেল কেন্সর ওইরকপা য়াবগী রিস্ক শরুক ৬ রোম হেল্লি। অদুম ওইনমক মতম চানা দাইগ্নোস তৌবগা লোয়ননা লায়েংলবদি সর্ভাইকেল কেন্সরনা নারবসু নুপী ওইবীগী পুন্সি কনবা ঙম্মী।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড সর্ভাইকেল কেন্সর ইলিমিনেসন দেগী চহী অসিগী ওইবা ঠিমদি ‘এক্ট নাউ, ইলিমিটেদ সর্ভাইকেল কেন্সর’ হায়বসিনি। ঠিম অসিগী মখাদা মালেমগী মফম পুম্নমক্তা মশাগী চহী ১৫ শুরক্লবী নুপী চাদা ৯০ দা ঐচ পি ভি গী ভেক্সিন কাপ্পবা পান্দম থল্লি। মশাগী চহী ৩৫ শুরক্লবী নুপী চাদা ৭০ স্ক্রিন্নিং তৌবগা লোয়ননা মশাগী চহী ৪৫ শুরকপদা হায় পার্ফোর্মেন্স টেষ্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। মতম চানা ভেক্সিন কাপ্পা অমসুং চাং নাইনা স্ক্রিন্নিং তৌবা হায়বসিনা লায়না অসি ঙাকথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা উপাইনি। অখন্নবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎলবদি খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়নানি হায়রিবা সর্ভাইকেল কেন্সরদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, লৈবাক অসিদা মিনিট ৮ খুদিংগী সর্ভাইকেল কেন্সরগী কেস অমমম থেংনৈ। অদুবু মতম চপ চানা খঙহৌদবা মরমনা সর্ভাইকেল কেন্সরনা নারবা মীওই অমগী পুন্সি কনবা ঙমদে।(মখা লমায় ২দা)

## ‘সঙাই ফেষ্টিভেল শরুক য়াফম থোক্তে’

**ইম্ফাল নবেম্বর ১৮(ৱায়েল কাতি)ঃ** চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা কাঙলুপকী ঈরাং লোইশিন্দ্রিঙৈদা পাঙথোকপা সঙাই ফেষ্টিভেলদা মীয়ামনা শরুক য়াফম থোক্তে হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন(সিকো) না ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী পব্লিসিতি সেক্রেটরি থাংজম ইনাওচানা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা মীওই লিশিং ৬০ রোমগী মীৎলুগী পীরাং কংদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা লুপা ক্রোর ১৫ রোম চঙনা সঙাই ফেষ্টিভেল শীন্দবা য়াদে হায়না নম্ফুদা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লিবা অসিনা লমদম অসিদা ইং-তপ্পা হঞ্জিল্লে হায়না মপানগী মীওইশিংদা লান্না পাউ শন্দোক্তুনা ইচুম চুমজবা মীয়ামগী রাইট পুম্বা মৎপগী ফিভমদা লৈরে। হরাও কুম্মৈ পাঙথোকপা হায়বসি করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদগে হায়বা লৈঙাক পায়রিবশিংনা মুন্না খঙফম থোকই। খুন্নাই অমদা মপুং ফানা ইং তপ্পা ফিভম লৈরবা মতমদা মীয়াম হুপ্না শরুক য়াদুনা ফেষ্টিভেল পাঙথোকফম থোকই, কুমজা ২০২৩ গী মে ৩দগী হৌরকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অসি মপুং ফানা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিঙৈদা নমদুনা লৈঙাক্কী মায় ঙাক্তবা য়াদে অমদি লুপা ক্রোর ১৫ শীজিন্নহৌদবা য়াদে হায়বগী মওংদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসিনা মীয়ামবু অমুক্কা হেন্না খোইরাং খোইশাওনহল্লে। লৈঙাক্লা নম্ফুদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা তারবসু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই দি পিশিংগীদমক খল্লগা কংলৈ মীয়ামনা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াফম থোক্তে। সঙাই ফেষ্টিভেল খক্তা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা অচৌ অচৌবা ফেষ্টিভেল মখল কয়া পাঙথোক্লবা লৈঙাক্লা হোৎনরিবা অসিগুম্না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওই লিশিং ৬০ রোম মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু সিকোগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## হয়েংগী নোংদম

১৯। ১১। ২০২৫

-এষ্ট্রো-কন্সল্টেন্ট হেম

**মেষ** -অনৌবা ৱাখল্লোন লাক্লগনি। চাওখৎ থৌরাংদা পুক্লিং চঙবা য়াগনি। অফবা লৈ।

**বৃষ** -পুক্লিং চরাংনবা খরা লোইনগনি। লন-থুম চৎকদৌরি। হৈ-শিংনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**মিথুন**- শেন্থোক লম্বী ফগৎচবা, অঙম অথৌশিংনা চানবীবা মতমনি। হকচাং নাদনবা হোৎনৌ।

**কর্কট** -লল্লোন ইতিক তৌবশিং শেন্দোং লৈগনি। অহল লমনশিংদি হকচাং নুংঙাইতবা পী।

**সিংহ**-লন-থুম, অরু অহেন ফংজবা মতমনি। মিংচৎ ফংবা মতম ওই। শেন্দোং লৈগনি।

**কন্যা** -নুংশিবীবা মীগী মশিং য়ামগনি। অরু অহেন লেপশিঞ্জবা ঙমগনি। হকচাংদি চেকশিল্লু।

**তুলা**- ইম্মুংগী লোইনবীদা অনা-অয়েক পীরি। কোক শাবা মতমনি। শেল পুথদনবা হোৎনৌ।

**বৃশ্চিক** -অনিংবা অপান্বা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগনি। অয়েৎপা লৈরগসু লল্লোনবদা কান্নগনি।

**ধনু**- পাখঙ লৈশাশিং থাজনবা, পুন্সি লৈপুন শেম্বা য়াবা মতম ওই। অঙম্বনা চানবীগনি।

**মকর**- অনা-অয়েক কোকচবা, পন্দুনা লৈবা থবকশিং পাঙথোকপা ঙমদবগী অৱাবা লৈগনি।

**কুম্ভ** - থাজদনা কান্নবা নুমিৎ ওইগনি। শেল থুম মায় ওনশিল্লক্কনি। হকচাং নাদনবা হোৎনৌ।

**মীন** - অৱা-অনা তারবশিংদা পাংবা, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং ফংবা মতম ওই।

# এদিটোরিয়েল

ইম্ফল, হিয়াঙ্গৈগী ২৮ নি পানবা, লৈবাকপোকপা নবেম্বর ১৮, ২০২৫ ইং

## মণিপুরদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা
### গভর্নরনা লৈবাক লাঙননবা থৌরাং তৌবা চুম্লোই

মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন পুন্নমক, মহৈরোই লুপশিং অমসুং লৈকায় লৈকায়গী ক্লব ওর্গনাইজেসন অয়াম্বনা হন্দক চহীগী ওইনা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্কনবা নুমিৎ খুদিংগী লৈঙাক্তা খঙহল্লকপা লেপ্পা লৈত্রি। অমরোমদনা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্তবা য়াদবদৌনা প্রসিদেন্ট রুলগী গভর্নমেন্ট অসিনা য়ান্না কন্না থৌরাং তৌরি। নুমিৎ ১০ নি চৎথগদবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি হৌগদবা নুমিৎ নিনি। হুমনি খক্তমক ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা সঙাই ফেষ্টিভেলগী পাঙথোকফম ওইগদৌরিবা মফমশিং লানবন অমগুম্না ঙাক শেনবা হৌখ্রে। মশিং য়াল্লবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থমজিন্দুনা লৈঙাক অসিগী মতিক ময়াই কয়াম লৈবগে হায়বদু মীয়ামদা উৎননবা হোৎনরি। হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিভেল অসি মহৌশাগা মান্নদবা মওং অমদি ওইরগনি হায়বসে হৌজিক্তগী হৌনা হায়বা য়ারে। ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপীগনু হায়রিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগী লুচিংবশিংগা অমুক্তং ফম্মিন্নরগা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্লবগীদমক ৱারী শান্নবগী ৱাফমসু লৈখিদ্রে। গভর্নমেন্টনা হৌজিক তৌরিবা থৌরাং অসিদি নখোয়না তৌনিংবা তৌ, ঐখোয়সু তৌনিংবা তৌগনি হায়না চপ মান্ননা শীংনরে। সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরম করিনো হায়বা গভর্নরনা খজিক্তং খন্থবীরগদি থোকহৈদবা থৌদোকশিং থোকহন্দবা ঙমগনি। তৌহৈদবা থৌদোকশিং, তৌহন্দবা য়াগনি। সঙাই ফেষ্টিভেল হায়বসি সঙাই পুথোক্লগা উৎকদবসু নত্তে। মসিদি টুরিজমগা মরী লৈনবা ফেষ্টিভেলনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম, ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোত্থাজবা ফংননবা মফম অমা পীবগী ৱানি। অতোপ্পা ষ্টেটতগী ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াননবা মী লাক্কনি হায়বগী থাজনিংঙাই ওইদে। লৈবাক লাঙবননিনা ফোরেন কন্ট্রিদগী মী লাক্কনি হায়বগী আশা তৌনিংঙাইসু লৈতে। অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অমা লান মনুং অসিদবু কনানা পাঙথোকহন্নিংগদৌরিবনো? মরু ওইনা মৈতৈশিং নেস্লেল হায়ৱেশিং ফাওদুনা চৎপফাওবা য়াহনবা ঙমদ্রিবা, মৈতৈশিংবু লানবন অমগী মনুংদা থল্লগা নুংঙাইহনগনি, ঙাইহাক্তং নোকহনগনি হায়বসি চৎনবা য়াবা ৱা নত্তে। মসিদি ফেষ্টিভেলগীদমক বজেটতা হাপখিবা শেনফমশিং অদু কমদৌনা লোইশিনবা য়াগদগে হায়বগী মরম থিববু ওইরমগদ্রা হায়নবু লৌনে। হৌজিক্তি লৈবাক ৱাথোক ওইরক্কদৌরে। ফাগি ফাগিদগী মুক্নবা হেঙ্গৎলক্তুনা মথোং হুক্তবা থবক কয়া তৌনরক্কদ্রা হায়বগী অকিবা ফাওবা লৈরকই। মশিং য়াম্বা মীয়ামনা য়ানিংদ্রগা কমদৌনা মায় পাকপা ফেষ্টিভেল অমা ওইগনি হায়না খন্নরিবনো? লৈঙাক্কী অখঙ অহৈশিং খজিক্তং ৱাখল থাদহৌবা চুমগনি।

সঙাই ফেষ্টিভেল অসি মণিপুর লৈঙাক্না য়ান্না মরু ওইনা লৌই হায়বসি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংসু খঙলমগনি। লৈঙাক্কী চাওখৎ-থৌরাংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদ্রগসু ফেষ্টিভেল অসি মায় পাকহন্ননবা মণিপুরগী গভর্নরনা বি জে পিগী এম এল এশিং কৌদুনা মতেং নীরি। গভর্নরগী থৌওং অসি ষ্টেট অসিগী মীয়ামবু খায়বুং তাননবা হূ চাইবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ান্না হৌজিক্কী মতমদবু ফেষ্টিভেলদা নুংঙাইথোক্তুনা, পেন্থোক্তুনা লৈবা য়াবা মতমসু ওইদে। লাইওইখ্রবা অহল লমনশিংনা শীন্নরম্বা ঐখোয়গী ঙমখৈ মীরোল অসিনা ঙাকপা ঙমদবগী ফিভম লৈরিঙৈসিদা কদায়দগীনো সঙাই ফেষ্টিভেলগী ৱাফম পুশিল্লক্লিবনো? শুফমসু লৈতে, নোম্ফমসু লৈতে। শেলসু পায়নদে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা য়োনবা পোৎ ফাওবা শিৎত্রবা মতম অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেলদা করিবু শিংকদৌরিবগে? হৌজিক্তি ফেষ্টিভেল অসি পাংথোকপীগনু হায়বদা য়ানরক্তবনিনা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াগদৌরিবশিং অদু কনানো হায়বা খঙদোল্লবা তুংদা মখোয়সু শরুক য়াহন্দনবা থবক পায়খৎপা হৌরক্লগনি। ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম পাঙথোকপদা য়াওগনি হায়রম্বা শিংদুসু মথন্তা অদুম শরুক য়াবা ঙম্লক্লোই। ষ্টোল হাংগদবশিং কিন্নবদগী অমফাওবা থোরক্কদবা মাল্লত্রে। য়েংবা লাক্কদবা কাঙবুসু সেক্যুরিতিগী অকন্নবা চেকশিন থৌরাং অমসুং পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্লক্কদ্রা হায়বগী কিবনা লাকপা হন্থনখ্রগনি। বোইকোট লাউথোকখ্রবনিনা ফেষ্টিভেল অসি থিংননবগীদমক্তা ফেষ্টিভেল পাঙথোকফমদা খোঙজং চঙশিল্লকপদা কনাসু থিংবা ঙম্লোই। মখোয় ফাবদি য়াই। অদুবু মীওই ৫।১০ না তৌগে হায়না তৌরগদি অকায় অতোয় অদুম থোক্কনি। মীয়ামনা পাঙথোকপা য়াদ্রবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্লনবগীদমক্তা গভর্নরনা এম এল এশিংগী মতেং নীজরগসু এম এল এশিং অদুনা হন্দক্তি মতেং পাংবা ঙম্বগী ফিভম লৈরোই। মীয়ামগী মায়োক্তা মখোয়না লেপ্পসু ঙম্লোই। শন্না হায়রবদা মণিপুরগী গভর্নরনা কাঙলুপকী ঈরাংনা খমথেংনা অৱাবা মায়োক্লহল্লবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিং অসিগী য়াইফ- থৌরাং অমফাওবা লৌখৎতনা সঙাই ফেষ্টিভেলদা পুক্নিং লুপ্তুনা লৈবা হায়বসিদা থম্মোয় শোকই হায়বসি লৈঙাক অসিনা খঙবা চুম্মী। কোকোমি য়াওনা ষ্টেট অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অয়াম্বনা বোইকোট তৌবগী মথক্তা হৌজিক্তি খুৎলায় পায়বা লালহৌবা কাঙবু য়াওশিল্লক্লবনিনা সঙাই ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াবশিং মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়না লাওথোরক্লগা ই-নাই তান্নবগী থৌওং অমা অমুক চৎথরক্লগাদি মদুদা মাঙজদৌরিবসি কনানো হায়বা লৈঙাক্না খঙবা চুম্মী। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি সঙাই ফেষ্টিভেল হায়বসি মণিপুরগী ইকোনোমিদা য়েংলগসু, টুরিজমবু য়োকখৎপদবু ওইরগসু নৎত্রগা মীয়ামবু ঙাইহাক ঙাইহাক্তং পোত্থাফম পীবা ওইরবসু কান্নবা ময়াম অমদি লৈ। অদুবু মৈতৈশিংদি হৌজিক মরৈবাক কায়বগী ফিভম অমা মায়োক্লরিবা, নেস্লেল হায়ৱেশিং হাংদোকপা ঙমদবগী শাওনরিঙৈ, ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংনা ময়ুমদা হঞ্জগে হায়বগী ৱাকৎ তাবীদবগী মরক অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন অসি করিনো? মী তিন্দ্রবা, মীয়ান্না শৌগৎলক্তবদা ফেষ্টিভেল অসিগী কান্নবা করি লৈগদগে? লৈঙাক্না মীয়ামগা মুক্নরকপদা ই-নাই তান্নরকপা য়াই। অসিগুম্বা থৌদোক ময়ামশিং অসি থোকহন্দনবা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তনবা শিনবীয়ু। মুক্নরগা পাঙথোক্কনি হায়না খল্লগদি অরানবা তাগনি হায়জনিংঙৈ।

# নুংশা মঙাল ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ব্লদ কেন্সর নারকপগী রিস্ক ৱাংনা লৈ


নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ভিটামিন দি ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবগা লোয়ননা ল্যুকেমিয়া (ব্লদ কেন্সর) অমদি অতৈ কেন্সর মখল খরা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে।


য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনিভর্সিতিট ওফ কেলিফোর্নিয়া, সেন দিগো স্কুল ওফ মেদিসিন্দা প্রোফেসার ওইবা সেদ্রিক গার্লেন্দ হায়খি, নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ল্যুকেমিয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা খঙলে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৭২ দগী খোমজিন্দুনা দেটা নৈনরবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ভিটামিন দি ৱাৎপদগী মীওই অয়াম্বা ল্যুকেমিয়া নারকপনি হায়রি।

অষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ, চিলি, আইয়রলেন্দ, কেনাদা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকুম্বা নোর্থ পোল নত্রগা সাউথ পোল মনাক্তা লৈবা লৈবাকশিংদা ল্যুকেমিয়াগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি নুংশা মঙাল ইফং ফংদবননি। অমরোমদা নুংশা মঙাল মরাং কায়না ফংবনিনা বোলিবিয়া, সামোৱা, মদগস্কর অমদি নাইজেরিয়াগুম্বা ইক্বেটর মনাক্তা লৈবা লৈবাকশিংদদি কেন্সর নাবগী চাং নেম্না লৈ।

গার্লেন্দনা হায়খি, নুংশা মঙাল ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিংদি হকচাংনা ভিটামিন দি মরাং কায়না লৌশিনবা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরদুনা ল্যুকেমিয়া অমদি অতৈ কেন্সর মখল খরী রিস্ক হেনগৎহল্লি। নুংশা মঙাল য়াওবা অলত্রাইওলেট রেদিয়েসন্না উনশাদা য়ৈবা মতমদা হকচাংনা ভিটামিন দি মপুং ফানা লৌশিনবা ঙম্মী। ৱার্ল্দ হেলঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) গী মখাদা ইন্টরনেসনেল এজেন্সি অমা ওইনা লৈরিবা গ্লোবোকেননা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

নুংশা মঙাল ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ৱাফম অসি পি এল ও এস ৱান জর্নেলদা ফোঙলকখিবনি। নিংথমথানিনা নুংশা য়াইবা নুংঙাইবা মতাং ওইরি। ফৈজুপ মনুংদা হিপচিন্দুনা লৈবগী মহুৎতা নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক অয়ুক্তা নুংশা য়াইবনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী। অদুমওইনমক মতম শাংনা



নুংশা য়াইবু য়াদে। মসিনা উনশা খুইহনবগা লোয়ননা স্কিন কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই। অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুং ইন্না নোংমদা মিনিট তরামঙারোম নুংশা য়াইগদবনি হায়রি।

নুমিৎ খুদিংগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি হকচাংনা নুংশাদগী ভিটামিন দি অমসুং কেলসিয়ম লৌশিনবা ঙমবা মরম্না শরুগী মপাঙ্গল কলহল্লি। মশলগী মপাঙ্গল কলহনবগা লোয়ননা থম্মোয়গী মীহুল চাং নাইহল্লি। হকচাংনা ভিটামিন দি ৱাৎলবা মতমদা ওটোইম্যুন দিজিজ, কার্দিও ভাস্কুলর দিজিজ, ক্রোনিক ইনফ্লেমেসন, কেন্সর মখল খরা অমসুং দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

ভিটামিন দিনা ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবা মরম্না হকচাংদা বেক্তিরিয়া অমদি ভাইরসনা ইনফেক্সন তৌরকপদা ইরায় লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী। অইংবা অমসুং নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈমা মীওই ৬ খুদিংগী মনুংদা অমদি সিজনেল এফেক্টিভ দিসওর্দর (এস এ দি) গী খুদোংচাবা মায়োক্লে। অদুবু নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি হকচাংদা সেরোটোনিন চাং হেনগৎহন্দুনা অহেনবা এন্দোর্ফিন পুথোরকপগী পুক্নিং ৱাখল নুংঙাইহল্লি।

তোঙান তোঙানবা ষ্টদিশিংগী রিপোর্টনা হায়রি, নোংমগী ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি ভিটামিন দি মরাং কায়না ফংবা ঙম্বা মরম্না দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ, ওটোইম্যুন দিসওর্দর, ওবেসিটি, ইনফর্টিলিটি অমদি অতৈ খুদোংচাদবশিং খরমখৈ কোকহনবা ঙম্মী। নুংশা য়াইবনা লিভরগী মথৌ হেনগৎহনবা মরম্না জোন্দিস ফহনবদা মতেং পাংই। ইশম শম্না হায়রবদা নুমিৎ খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক নুংশা য়াইবনা ক্রোনিক দিজিজ ২৫ হেন্না ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।

নুংশা মঙালনা চৈনাখোল হন্থহনবা ঙম্মী হায়বগী মতাংদা রিছার্সরশিংনা হায়রি, নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা মিনিট ১৫ রোম নুংশা য়াইবা মতমদা রুমেটোইদ অরথ্রাইটিসকী রিস্ক হন্থহল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমা ওপরেসন তৌরুরবা মতুংদা চাং নাইনা নুংশা য়াইরবদি চৈনাখোল হন্থহনবগা লোয়ননা ওপরেসন তৌবগী লেনখিবা মফম থুনা ওইশিলহল্লি।

কনাগুম্বা তুম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োনরবদি নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা নুংশা য়াইবা কান্নগনি। অয়ুক্তা মিনিট ১৫ রোম নুংশা য়াইরবদি নুমিদাং তুম্বা নুংঙাইহল্লি। কান্নবা ফন্না য়াম্না ফংবা তারবসু হেঞ্জিনবা মওংদা মতম শাংনা নুংশা য়াইরবদি অমাং-অতা কয়া থোকহল্লকই। মরম অদুনা য়াল্লবদা নুমিৎ খুদিংগী মিনিট ১৫ রোমতমক নুংশা য়াইগদবনি হায়বা অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি।

## ইমাগী শিয়োন্নুংদগী থৱান্মিচাক্কুম লংনা

হান্নগী মখাঃ

মাধুচন্দ্র চহী অনী, চৌরজীৎ চহী তরা, মারজিৎ চহী তরুক, তাকুনিংথৌ (হেরাচন্দ্র) চহী অমা, য়ুমজাওতাবা চহী অমা, গম্ভিরসিংহ থা তরুক, জাইসিং চহী অমা যাদুসিং ( নোংপোক চীংলেনখোম্বা) চহী অমা, রাঘব সিংহ চহী অমা, নোংচুপ লমগাইঙানবা (ভদ্রাসিংহ) চহী অমা, গম্ভিরসিংহ (চীংলেম নোংদ্রেনখোম্বা) চহী মাপল, চন্দ্রকৃর্ত্তি (নিংথেমপিশক) চহী তরা, নরসিংহ চহী তরুক, দেবেন্দ্রসিংহ থা অহুম, চন্দ্রকৃর্ত্তি ( কে সি এস আই) চহী কুম্ভ্রাতরুক, সুরচন্দ্র চহী মরী, কুল্লচন্দ্র চহী অমা চুরাচান্দ চহী য়াঙ্খৈ, বোধচন্দ্র চহী তরামরি, কংলৈ লৈময়োলবু অসুন্না লৈঙাকখি।

চহী লিশিং অমগা চামাপল তরামাথোইগা থা মাপল চুপ্পা কংলৈ লৈবাকপু থৱান্মিচাক্কুম লংলম্বা মতিং লৈনা মরৈপাক ঙাক্লম্বা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং নিংশিংদবা ঙমদে। মখোয়গী চাদা নাওদানি হায়বদা ঐখোয় চাওথোকচবা পোকই। ঙসিসু লমদম অসিগী লৈহাওদা ওন্না থোইনা খাংলিবা মমা ওইবীশিংগী শিয়োম নুংগী লৈশাদি মশক মচু মাঙদ্রি। পলেম ওইরবশিংগী নুঙগী ঈচেল মচু ওনদ্রি।

মখোয়গী শিয়োমনুংদগী মকুম মথা সুরদুনা তাইবঙ খোংদারকপা ঈগী থৱায় অমত্তগা ইপা ইপুগী মতিং মাঙনা মালেম লৈইদা তারক্ত্রি। কয়াদা লাইবক ফরবা লাইগী চাওদা নাওদা ওইরবা ঐখোয়নো। অদুবু তাইবঙ চিঞ্জাক য়াতম চাউম্বা হেক হৌখিবদগী, হৈনা খোঙথাং থাংলকপদগী ঙসিগী লাইগী মচা ওইবা ঐখোয় মতৌ করন্না মশক মাঙলক্লিবনো? চীংলোন ৱাংমদগী য়ৈশিল্লকপা উফুল থাংলবা নুংশিৎনফাওবা মমা ওইবীশিংগী শন্লাংদা, মায়থোংদা য়ৈরবদসু ইমাগী শিয়োমনুংগী মশক, ঈগী ঈচেল থুগাইবা ঙমদ্রবা অদুগা করিগী তাইবঙ খোঙদারক্লবা মতমদতা ঐগী হকচাংদা লৈখোম লৈনাং উফুল ৱাইফুল চেলহল্লিবনো? ঐখোয় নিংশিংদ্রবরা, খুদুঙ ইনবা ঙমদ্রবরা, লাইওইখ্রবশিংগী লিক্লম?

অনৌবা চহী কয়া লেপ্তনা লাক্লি, অনৌবা অশেংবা মায়থোং অদুদি নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লি। করিগীদমক ইশানা ইশাগী মায়থোংদা হামুক তৈশিন্নরি। ইপা ইপুনা তম্বীরম্বা লমচৎকী খোঙথাং কদায়দা ঙন্না ইম্থোকখ্রবগে? ইপা ইপুনা তাকপীরম্বা লিক্লম্বু শেলগা ওন্নথোক্তুনা করিগী মমল লৈতনা য়োম্থোক্লরিবনো? শাংখ্রবা চহী লিশিং অনীরোমগী লাইওইখ্রবা মখোয়গী খোঙচৎপু ঐখোয়না খোঙ্গুল মুখৎফম থোকপ্রা? ঐখোয়বু লমজিংবীরকপা শাংখ্রবা মীরোল কয়াগী লিক্লম অরাইবা অমা নত্তে। (কুম্ভ্রাহুমদোই শুবা এদি দগী হৌরক্লগা ইং কুমজা লিশিং অমগা চামাপল য়াঙ্খৈ মঙাগী মতম, অসিদা মথক্কী নিংথৌশিং অসিনা লৈবাক ঙাক্লম্মী। মসিগী মতুং ইং লিশিং অমগা চামাপল হুম্ফুতরা তরুক ফাওবা অসিনা পরৈহনবা (ওকেন্দ্রো) না মমিংতগী ওইবা নিংথৌ ওইনা অমদি ইং লিশিং অমগা চামাপল মরিফুতরা তরুকতগীনা ঙসি ফাওবা অসিদা লৈশেম্বা সনাজাওবনা কংলৈপাক অসিদা মমিংতগী ওইবা নিংথৌগী ফম্বাল তোংলি।)

অসিগুম্লবা নুংশিৎনা হুম্লকপা অওনবা খোঙচৎ অসিদা ঐখোয়গী মাঙলমচৎতগী তম্বীদুনা থম্বীরম্লবা ইপা ইপুশিংগী লিচৎ নোংমা নোংমগী কায়থরকপা অসিনা ঐখোয়গী মীরোল ঙসিদি অনিং অনিংবা, অপাম অপাম্বদা খোঙ থাংনরি। পলেম ইমাগী শিয়োমনুংদগী তাইবঙ খোঙদারকপদা থৱান্মিচাক্লম্না মতিং লৈনা পুমলং লংনা তারক্লবা লাইগী চাওদা নাওদা ঐখোয় ঙসিদি কল্লক মীহৌ লাংনা, মপালগী নুংশিৎনা য়ৈবদগী থরোই অহাম্বা ওল্লক্লি।

–বিজেন্দ্রজিৎ তেলেম

### সর্ভাইকেল কেন্সরনা...

(লমায় ১গী মখা) অতৈ অতোপ্পা কেন্সরশিংগা মান্নদবা মওংদা সর্ভাইকেল কেন্সরগী মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা ঙাকথোকপা ঙম্মী। হিরম অসিগী মতাংদা খ্বাইদগী ইহান হান্না লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাংদি মতম চানা হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরসকী ভেক্সিন কাপথোকপনি। ভেক্সিন অসি ইন্দিয়াগী মফম পুন্নমক্তা মরাং কায়না ফংলে। নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা মশাগী চহী ৯ শুরকপদগী ১৪ শুরকপা ফাওবদা ভেক্সিন অসি কাপ্লবদি সর্ভাইকেল কেন্সরগী রিস্ক চাদা ৯০ হন্থহনবা ঙম্মী। মসিগীসু মথক্তা চহী খুদিংগী চাং নাইনা স্ক্রিন্নিং তৌদুনা হকচাংদা করি করম্বা অশোয়বা লৈবগে হায়বদু য়েংথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়ামবু হিরম অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী নবেম্বর ১৭তা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা ৱার্ল্দ সর্ভাইকেল কেন্সর ইলিমিনেসন দে থৌরম পাঙথোক্লবা ৱার্ল্দ হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনা লাউথোকখিবনি। কনাগুম্বা মীওই অমা সর্ভাইকেল কেন্সর নাবা থোক্লবসু ঙল্লিঙৈদা লায়েংবদি ফহনবা ঙম্মী হায়রি।


## WAYEL SUDOKU

*Puzzle-118*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | | | 7 | 1 | | | |
| 9 | | | | 4 | | 1 | | 3 |
| | 8 | 5 | | | | 6 | | |
| 7 | | | | | | | | |
| | | | 8 | | | | 5 | |
| 2 | | | | | 7 | 9 | | 1 |
| | 9 | 7 | | 6 | | 3 | | |
| | | | | | | | | |
| | 6 | | | 3 | | 4 | | |

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-138*



**ACROSS**
1 Australia's capital (8)
4 Vast South African desert (8)
8 Cuts (5)
10 Bend down (6)
11 Refund (6)
12 Lean (5)
14 Cure (6)
15 Japanese gown (6)
16 Painting on dry plaster (5)
18 Slanted typeface (6)
19 Pointless (6)
20 Lump of turf (5)
23 ___ per cent, half (5)
25 Royal family name (7)
27 Expertise (4-3)
30 Breakfast food (5)
31 Wants (5)
32 Warm up again (6)
34 Power point (6)
36 Brewing ingredient (5)
38 Spring flower (6)
40 'All ___', conductor's command (6)
42 Sky-blue colour (5)
45 Matelot (6)
46 Easily bent (6)
47 Form of oxygen (5)
48 Parading (8)
49 Toper (8)

**DOWN**
1 Plates, cups, etc (8)
2 Chosen by ballot (7)
3 Greek goddess of wisdom (6)
4 Hundredth of a rouble (6)
5 African spear (7)
6 Second-rate (8)
7 Steam engine (10)
9 Occupation (4,2,4)
13 Little cut (4)
16 Mockery (5)
17 Bid, tender (5)
20 Resided (5)
21 Entangle (5)
22 Royal racecourse in Berkshire (5)
23 Scowl (5)
24 Decade units (5)
26 Scottish (10)
27 Money pool (5)
28 Robbery (5)
29 Non meat-eater (10)
33 Hawaiian island (4)
35 Familiarise (8)
37 Confessed (8)
39 Dig up (7)
41 Party decoration (7)
43 Jagged pattern (6)
44 Spoiled (6)

*Crossword-138*

| | | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | A | N | B | E | R | R | A | | K | A | L | A | H | A | R | I |
| R | | | | L | | | T | | O | | | S | | | | N |
| O | | L | | E | | C | H | O | P | S | | S | | W | | F |
| C | R | O | U | C | H | | E | | E | | R | E | B | A | T | E |
| K | | C | | T | | | N | | C | | | G | | L | | R |
| E | | O | | E | | L | A | N | K | Y | | A | | K | | I |
| R | E | M | E | D | Y | | | I | | | K | I | M | O | N | O |
| Y | | O | | | | S | E | C | C | O | | | | F | | R |
| | I | T | A | L | I | C | | K | | F | U | T | I | L | E | |
| | | I | | | | O | | | | F | | | | I | | |
| D | I | V | O | T | | R | | A | | E | | F | I | F | T | Y |
| W | | E | | W | I | N | D | S | O | R | | R | | E | | E |
| E | | | | I | | | | C | | | | O | | | | A |
| L | | C | | S | | K | N | O | W | H | O | W | | V | | R |
| T | O | A | S | T | | I | | T | | E | | N | E | E | D | S |
| | | L | | | | T | | | | I | | | | G | | |
| | R | E | H | E | A | T | | O | | S | O | C | K | E | T | |
| A | | D | | | | Y | E | A | S | T | | | | T | | A |
| C | R | O | C | U | S | | | H | | | A | B | O | A | R | D |
| C | | N | | N | | A | Z | U | R | E | | A | | R | | M |
| U | | I | | E | | | I | | U | | | L | | I | | I |
| S | E | A | M | A | N | | G | | I | | P | L | I | A | N | T |
| T | | N | | R | | O | Z | O | N | E | | O | | N | | T |
| O | | | | T | | | A | | E | | | O | | | | E |
| M | A | R | C | H | I | N | G | | D | R | U | N | K | A | R | D |

*Puzzle-118*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 2 | 6 | 7 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 1 | 2 | 3 |
| 1 | 8 | 5 | 9 | 2 | 3 | 6 | 4 | 7 |
| 7 | 5 | 9 | 4 | 1 | 6 | 2 | 3 | 8 |
| 6 | 1 | 3 | 8 | 9 | 2 | 7 | 5 | 4 |
| 2 | 4 | 8 | 3 | 5 | 7 | 9 | 6 | 1 |
| 5 | 9 | 7 | 1 | 6 | 4 | 3 | 8 | 2 |
| 3 | 2 | 4 | 7 | 8 | 9 | 5 | 1 | 6 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 3 | 5 | 4 | 7 | 9 |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733